# য়ুরোপ্তা ফুটবোল সিজন ২০১৯-২০ মখা চখনবগী লীগ-লীগশিংনা শেম্বা চৎন কাঙলোনশিং

পেরিস, মে ২০ (এজেন্সি)ঃ

জর্ম্মনগী বুন্দেসলিগানা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা থা ২ হেন্না শান্নবা লেপরুরবা মতুংদা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতগী ২০১৯-২০ সিজন অমুক মখা চখবা হৌখিবনা লীগ অসিনা য়ুরোপকী লীগশিংদা সটদাউনগী মতুংদা লীগ চথবা ঙম্বা অহানবা লৈবাক ওইখ্রে। লোয়ননা য়ুরোপকী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংসু লীগ অসিগী মতুং ইন্দুনা লরগ মখা চথনবা হোৎনরি।

জর্ম্মনগী বুন্দেসলিগানা লেমহৌরিবা রাউন্দ ৯গী মেটচ খুদিংমক মীয়াম য়াওহন্দনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতগী হৌখ্রে। থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচশিংদা হর্থা বার্লিননা হোফেনহাইনবু গোল ৩-০ দা, ৱোল্ফসব্রগনা অক্সব্রগবু গোল ২-১দা, দোর্দমুন্দনা সাওলকেবু গোল ৪-০ দা, দুসেনদ্রোপ অমদি পদরব্লোন গোল চন্নদনা দ্রো, আর বি লেপজিক অমদি ফ্রাইদব্রগ গোল ১-১দা, মোনচেংলাদবাক্সনা ফ্লাঙ্কফ্রুদবু গোল ৩-১ দা অদুগা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবদা এফ সি কোলন অমদি মেন্স গোল ২-২ দা, বার্য়ন মুনিকনা য়ুনিয়ন বার্লিনবু গোল ২-০ দা অমসুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবদা বার্য়ন লিভরপুসেননা ৱাদরবু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখি।

লীগ অসিনা অহানবা য়ুরোপিয়ান লীগতা সিজন অমুক হলকপা অহানবা লীগতি নৎতে। লীগ মখা চথবগী মীংথোলদি ফরো আইসলেন্দদা চৎখ্রে। লোয়ননা হৌখিবা থা ২ দা লীগ লেপ্পা লৈত্তনা চথখিবা অমত্তা ঙাইরবা য়ুরোপিয়ানগী লৈবাক বেলারসসু কাউথোকফম থোক্তে।

লোয়ননা লৈপাকপোকপা নুমিৎতা স্টোনিয়াগী মকোক থোংবা লীগ ওইরিবা মৈষ্ট্রিলিগাসু লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী হৌখ্রে। লৈবাককোপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচশিংদা এফ সি আই লীবাদিয়ানা লির্জনবু গোল ২-০দা, নোমিকালজুনা কুরেস সারিবু গোল ২-০ দা অমসুং টুলিভিকনা পাইদেবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি। টিম ১০ না শরুক য়াদুনা চথরিবা লীগ অসিসু হৌখিবা মার্চ ৭ দগী ২০২০-২১ সিজন হেক হৌবগা মেটচ ৪ শান্নরবা মতুং কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা লেপ্তুনা লাকখিবনি। অমসুং ২০১৯-২০গী সিজনদা এফ সি ফ্লোরানা ১২ রক শুবা ওইনা লীগ অসিগী মপু ওইবা ঙমখি।

য়ুরোপতা ফুটবোলগী সিজন অমুক মখা চথনবগী মতম লেপখ্রবশিং অদুদি চেক রিপ্লাবিককী ফ্লোটুনা লিগা মে ২৩দা, সরবিয়াগী লিঙলোন টিরি সুপর লীগানা মে ৩০ দা ওষ্টেলিয়াগী বুন্দেসলীগানা জুন ২ দা পোর্টুর্গলগী প্রি মৈরা লীগানা জুন ৪ দা, স্লোভেনিয়াগী প্রভালিগা টেলিকোম স্লোভেবিনিজিনা জুন ৫ দা, কোরেসিয়াগী হরভাসকি টেলিকোম প্রভালিগানা জুন ৬ তা, টর্কিগী সুপর লীগনা জুন ১২ তা, নোরৱেগী ইলাইট সেরিননা জুন ১৬ দা, রুশিয়াগী প্রেমিয়র লীগনা জুন ১২ তা ফিন্দলেন্দগী ভাইকাওস লিগানা জুন ১ দগী হৌনবা শেম শাখ্রে।

য়ুরোপতা সিজন মখা চথনবগীদমক গভর্ণমেন্টনা গ্রীন লাইট পীরকপা ঙাইরিবশিংগী মনুংদা মালেমগী ফুটবোল লীগতা মকোক থোংবা ওইরিবা ইংলেন্দগী ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ, স্পেনগী লালিগা অমসুং ইটলিগী সেরি এসু অমনি। লৈবাকশিং অসি য়ুরোপতা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা কা হেন্না শোকহল্লবশিংগী মনুংদা চল্লি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা প্রেমিয়র লীগকী ক্লব ৩ দগী গ্রুপ ট্রেনিং হৌদ্রিঙৈ মমাঙদা চথখিবা কোভিদ-১৯ টেষ্টিংদা পোজিটিভ ওইবা কেস ৬ থেংনখ্রবনি লোয়ননা লীগ অসি মথং থাগী থখায়দগী হৌনবা পান্দম থল্লি। ইটালিয়ান ফুটবোল ফেদরেসনা সেরি এ য়াওনা কম্পিটিসন পূম্নমক জুন ১৪ ফাওবা সস্পেন্দ তৌদুনা লৈরি। ইটালিয়ান প্রামই মিনিষ্টরনা সিজন মখা চথনবগীদমক গ্রীন লাইট পীদ্রিঙৈ মমাঙদা হেন্না চেকশিনবা মথৌ তায় হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা স্পেনদসু জুন ১২ তগী সিজন মখা চথনবগী পান্দমদা মীওই ১০ না শাদুনা মমাঙ চায়োলদগী গ্রুপ ট্রেনিং চথবা হৌখ্রে।

য়ুরোপ্তা ফুটবোল সিজন অমুক মখা চথবা ঙমগনি হায়না থাজবা থল্লিবশিং অদুদি রোমানিয়াগী লীগা ৱাননা মে ২৭, পোলেন্দগী এক্সত্রাক্লাসানা মে ২৯, গ্রীককী সুপর লীগনা জুন ৬ তা অমসুং সুইজরলেন্দগী সুপর লীগনা জুন ২০ দনি।

য়ুরোপ্তা ফুটবোল সিজন লোয়শিনখ্রবশিংগী মনুংদা নেদরলেন্দগী ইরিদিভিজনা এপ্রিল ২৪ দা সিজন লোয়শিনলগা চেম্পিয়ন লাউথোকখিদে। ফ্রান্সকী লীগা ৱানসু সিজন লোয়শিনগদবা রাউন্দ ১০ ৱাৎলিঙৈ এপ্রিল ৩০ দা নেদরলেন্দগী মতৌ তমদুনা সিজন কেন্সেল তৌরগা পেরিস সেন্ত জর্ম্মননা চেম্পিয়ন ওইনা লাউথোকখি। লোয়ননা য়ুরোপিয়ানগী মফমসু পীথোকখি। অমদি লৈবাক অদুগী তোপ দিভিজন ২ গী মরক্তা রিলিগেসন অমসুং প্রমোসর্ন কায়হন্দনা থমখি।

বেলজিয়মগী প্রো লীগসু সিজন লোয়শিনখিবনা ক্লব ব্রুগিনা চেম্পিয়ন ওইনা কনফার্ম তৌখি। মসি বেজিয়ম গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অদুদা স্পোর্টিং কম্পিটিসন পূম্নমক জুন ৩১ ফাওবা অথিংবা থমখিবদগী লৌখৎপা খোঙথাং ওইখি। স্কোটলেন্দগী স্কোটিস প্রেমিয়র লীগসু নিংথৌকাবা নুমিৎতা সিজন কেন্সেল তৌখিবনা চেল্টিক এফ সিনা লীগ অসিগী ৯ লক শুবা ওইনা চেম্পিয়ন ওইখি।

লোয়ননা লুজেমব্রোক অমসুং সাইপ্রসকী সিজনসু লীগকী চেম্পিয়ন লাউথোক্তনা লোয়শিনখি অদুমকপু সাইপ্রসনা য়ুরোপিয়ান কম্পিটিসনগী মফমশিংগী ওইনদি উমোনিয়ানিকোসিয়ানা লাক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন লীগ সিজনগী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ য়াওহনবগী অয়াবা পীখি।

# ইটালি গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা সেরি এগী টিমশিংনা গ্রুপ ট্রেন্নিং হৌনবা শেম শাখ্রে

মিলান, মে ২০ (এজেন্সি)ঃ

ইটালিগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিন্সেজো স্পাদফোরানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সেরি এগী টিমশিংবু গ্রুপ ট্রেন্নিংদা অমুক হলকপদা অয়াবা পীখ্রে। অদুমকপু লেপ্তুনা লৈরিবা সেরি এগী ২০১৯-২০ সিজন মখা চথনবগী মতাংদা মে ২৮ দা মীফম কৌখিবনা সিজন অসিগী মরাইবক তম্বা ঙমদ্রি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর স্পাদফোরনা হিরম অসিগী মতাং দা হায়, গভর্ণমেন্টকী সাইন্টিফিক টেক্নিকেল কম্মীটিনা ইটালিয়ান ফুটবোল ফেদরেসনগী শেমদোক্লবা হেলথ পোটুকোল অদু এপ্রুপ তৌদুনা টিমশিংবু গ্রুপ ট্রেন্নিং চথবা য়ারগনি। পাউ অসি ফুটবোলবু পামজবশিংগীদমক্তদি য়াম্না নুং ঙাইবা পাউ অমনি।

মিনিষ্টরনা লেপ্তুনা লৈরিবা ফুটবোল সিজন অসিগী মতাং দা খৎন্নবগীদমক ইটালিয়ান ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট গ্রভাইলি গ্রবিনা অমসুং সেরি এগী চীফ পাওলো দাল পিনোগা মে ২৮ দা মীফম পাঙথোক্তুনা খৎন্নগনি। মতম অদুদা সিজন অসিগী লাইবক লেপ্পা ঙমগনি। খ্বাইদগী মরুওইরিবদি সিজন অসি মপু ফানা লোয়শিনবনি। মসি পূম্নমক ফেদরেসনশিংনা লৌরকপা ৱারেপকী মতুং ইনগনি হায়না স্পাদফোরানা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরনসু য়েৎন্দুনা লাকখিবা ৱাফম হায়বদি করিগুম্বা টিম অমগী মীওই অমা পোজিটিভ ওইরকপা মতমদা স্কৱাদ পূম্নমক আইসোলেসনদা লৈবা হায়বা ৱাফম অদু ৱিদ্রো তৌদুনা য়ান্নরে হায়না ফোঙদোকখি। করিগুম্বা শান্নরোই অমা পোজিটিম ওইরবদি মহাক চায়োল অনী ক্বারেন্টিন তৌগনি অদুগা টিমগী মেম্বরশিংনা আইসোলেসনদা লৈদুননা মোনিটর তৌগনি। অদুবু গ্রুপ ত্রেন্নিং চথবা অদুমক য়াগনি।

ইটালিয়ান ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট গ্রাবাইলি গ্রাবিনানা অনৌবা খোঙথাং অসিবু তরাম্না ওক্লদুনা হায়, গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিদা ফুটবোল অমুক মখা চথনবা হোৎনবদা অচৌবা ইনোৎ হাপল্লগনি।

ইটালিয়ান ফুটবোল ফেদরেসনগী মেদিকেল সাইন্টিফিক কমিসননা লেপ্তুনা লৈরিবা ২০১৯-২০ সিজন অসি হৌনবগী মতাংদা পোটুকোলশিং শেম্নবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

ইটালিয়ান প্লেয়র য়ুনিয়ন প্রসিদেন্ট দামিয়ানো তোমাসিনা ফোঙদোকখিবদা কম্পিটিসনদা অমুক হলত্তিঃনৈঙে মমাঙদা ফুটবোল্লরশিংনা য়ামদ্রবদা থা ১ রোমগী ট্রেন্নিং দরকার ওইগনি। মসিনা ফুটবোল্লরশিংগী ইঞ্জুরিশিং দগী চাউনা ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়না হান্নগী ইটালিয়ান অমদি রোমানিয়গী মিদফিল্ডর অসিনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই মদুদি হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ইটালিগী প্রাইম মিনিষ্টর গুইসিপি কোন্তেনা লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা সোক্কর ক্লবশিংনা মে ১৮ দগী ফুল ট্রেন্নিং চথবা য়ারগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ইটালিগী প্রোফিসনেল সোক্কর ক্লবশিংনা গ্রুপ ট্রেন্নিং সেসন হৌনবা গভর্ণমেন্টনা শেম শারিবা মেদিকেল পোটুকোল অদুদা য়ানদবদগী পোস্পোন্দ তৌদুনা লাকখিবনি। অদুমকপু ক্লবশিংনা গ্রুপ মচা মচা খায়দোক্তুনা সোসিয়েল দিসটেন্সিগী চৎন কাঙলোন ঙাক্তুনা ইন্দিভিজ্যুয়েল ট্রেন্নিং চথবা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তগী হৌখ্রবনি।

ইটালিগী সেরি এ লীগ অসি হৌখিবা মার্চ ৯ দগী লেপ্তুনা লাক্লি। লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা জুন ১৪ ফাওবা কম্পীটিসন পূম্নমক অথিংবা থল্লি। অমদি সেরি এগী রাউন্দ ২৬ লোয়বা ফাওবদা জুভেন্তসনা পোইন্ট ৬৩ ফঙদুনা অহানবা, লাজিওনা পোইন্ট ৬২ ফঙদুনা অনীশুবা, ইন্টর মিলাননা পোইন্ট ৫৪ ফঙদুনা অহুমশুবা, অটালন্টনা পোইন্ট ৪৮ ফঙদুনা মরিশুবা, রোমানা পোইন্ট ৪৫ ফঙদুনা মঙাশুবা, নাপোলিনা পোইন্ট ৩৯ ফঙদুনা তরুকশুবা, এ সি মিলাননা পোইন্ট ৩৬ ফঙদুনা তরেৎশুবা, ভিরোনা পোইন্ট ৩৫ ফঙদুনা নিপালশুবা, পরমানা পোইন্ট ৩৫ ফঙদুনা মাপলশুবা, ভোলোকনানা পোইন্ট ৩৪ ফঙদুনা তরাশুবা মফমদা লৈরি।

অদুগা সসাওলোনা পোইন্ট ৩২ ফঙদুনা তরামথোইশুবা, কাগলিয়ারিনা পোইন্ট ৩২ ফঙদুনা তরানিথোইশুবা, ফ্লোরিন্টিনানা পোইন্ট ৩০ ফঙদুনা তরাহুমদোইশুবা, উদিনেসনা পোইন্ট ২৮ ফঙদুনা তরামরীশুবা, টোরিনোনা পোইন্ট ২৭ ফঙদুনা তরামঙাশুবা, সামদোরিয়ানা পোইন্ট ২৬ ফঙদুনা তরাতরুকশুবা, জিনোৱানা পোইন্ট ২৫ ফঙদুনা তরাতরুকশুবা, লিশিনা পোইন্ট ২৫ ফঙদুনা তরানিপালশুবা, স্পালনা পোইন্ট ১৮ ফঙদুনা তরামপলশুবা অমসুং ব্রেসিয়ানা পোইন্ট ১৬ ফঙদুনা কুনশুবা মফমদা লৈরি।

অমরোমদা জুভেন্তসকী ষ্টার পোর্টুগল খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোসু জুভেন্তসগী ট্রেন্নিং সেন্টর টুরিনদা মে ১৯ দা রিপোর্ট তৌখ্রে। রোনাল্ডোনা পোর্টুগলদা থা ২ রোম লোকদাউনগী মতম লেলুরবা মতুং টুরিনদা অমুক হলক্তুনা চায়োল ২ আইসোলেসন তৌদুনা লৈখি।

বেলোন দি' ওর ৱিন্নর মঙারক ওইখ্রবা শান্নরোই অসিনা মহাক্কী টিমমেটশিংগা ট্রেন্নিং পুন্দ্রিঙৈ মমাঙদা মেদিকেল অমসুং ফিজিকেল টেষ্ট তৌখি। জচভেন্তসকী শান্নরোইশিং হৌখিবা মে ৪ দগী ইন্দিভিজ্যুয়েল ট্রেন্নিং চথদুনা লাক্লি। লোয়ননা রোনাল্ডোনা সেরি এদা পোস্পোন্দ তৌদ্রিঙৈ অহাঙবা ষ্টেদিয়ম এলেন্সদা মার্চ ৪ দা ইন্টরমিলানগা শান্নখিবা মেটচতা ২-০ দা মায়থিবা পীবদা মতেং পাঙখ্রবা মতুং মহাক্কী টিমমেটশিংগা পুনবা ফঙদনা লাকমখিবনি।



# প্রেমিয়র লীগকী ক্লব ৩ দগী মীওই ৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

লন্দন, মে ২০ (এজেন্সি)ঃ

প্রেমিয়র লীগকী ক্লবশিংনা গ্রুপ মচা খায়দোক্তুনা ট্রেন্নিং হৌদ্রিঙৈ মমাঙওইন্না নোংমাইজিং অমসুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নোভেল কোরোনাভাইরসকী ক্লব ২০গী অপূনবা মীওই ৭৪৮ টেষ্টিং তৌবদা ক্লব ৩ গী মীওই তরুক পোজিটিভ ওইরে হায়না প্রেমিয়র লীগনা লাউথোকখ্রে।

প্রেমিয়র লীগনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়পোজিটিভ ওইরবা ক্লবশিং অসিগী মীওইশিং অসি নুমিৎ ৭ নিগী ওইনা সেল্ফ আইসোলেট তৌরগনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মমিং মথা লীগ অসিনা ফোঙদোক্লোয় অমসুং টেষ্টিং তৌবা খুদিংমগী মীয়ামদা মদুগী রিজল্ট লাউথোক্কনি হায়রি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা প্রেমিয়র লীগকী ক্লবশিংনা অমত্তা ওইনা গ্রুপ মচা মচা খায়দোক্তুনা ট্রেন্নিং চথবদা য়ানখি লোয়ননা লীগ অসি হৌখিবা মার্চ ১৩ দগী কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা লেপ্তুনা লাক্লি।

# স্লোভেনিয়াগী প্রভালিগা টেলিকোম স্লোভেবিনিজিনা জুন ৫ দা হৌরগনি

লজুলজনা, মে ২০ (এজেন্সি)ঃ

কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা হৌখিবা মার্চ থাদগী লেপ্তুনা লাকখিবা স্লোভেনিয়াগী মকোক থোংবা লীগ ওইরিবা প্রভালিগা টেলিকোম স্লোভেবিনিজিনা জুন ৫ দগী মখা চথরগনি হায়না স্লোভেনিয়া ফুটবোল এসোসিয়েসননা ফোঙদোকখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লীগ অসি মখা চথদ্রিঙৈগী মমাঙদা কোভিদ-১৯ লাইচৎপু শন্দোকপা থিংনবগীদমক পায়খৎপা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎক্লনি। লোয়ননা লীগ অসি মীয়াম তিন্দনা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

লীগ অসিগী লেমহৌরিবা মেটচশিংগী ফিক্সচর মথং চায়োলদা লাউথোক্লবা য়াঁরি। লোয়ননা লীগ অসি হৌখিবা মার্চ ১২ তগী লেপ্তুনা লাকখিবনি। রাউন্দ ৩৬ লৈবগী মনুংদা ২৫ ফাওবা শান্নবা লোয়খিবদা লজুলজনা ওলেম্পিজানা পোইন্ট ৫০ ফঙদুনা অহানবা অমসুং চেলজি অমদি অলুমিনিসনা পোইন্ট ৪৫ /৪৫ ফঙদুনা মথং শীৎনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

# সন্দেস ঝিনগান চহী ৬কী মতুংদা কেরেলা ব্লাষ্টর থাদোকখ্রে

কোচি, মে ২০ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াগী প্রেমিয়র লীগ অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল)গী ক্লব কেরেলা ব্লাষ্টরগীদমক ২০১৪ দগী ক্লব অসিগী দিফেন্স লাইন লুচিঙদুনা লাকখিবা সন্দেস ঝিনগান চহী ৬কী মতুংদা কেরেলাগী ক্লব অসিগী মরি তৎনখে।



কেরেলা ব্লাষ্টর অসি শেল থুমগী ফিভম কায়থরকপ্পা মরম ওইরগা শান্নরোই কয়াদা তলব হন্থনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে লোয়ননা মশাগী চহী ২৬ শুরবা চান্দিগর মচা অসি হৌখিবা ২০১৭ গী আই এস এলদা লুপা ক্রোর ৩.৮তা কন্ট্রেক্ট সাইন তৌদুনা লীক অসিদা খ্বাইদগী শেল য়াম্না পীবা ইন্দিয়ান দিফেন্দর ওইখি। অমসুং মহাক্কী কন্ট্রেক্ট অদুনা ক্লব অসিগা লৈনবা মরি চহী ২ হেন্না ৱাৎলি অদুবু ক্লবকী মেনেজমেন্টনা হৌজিক্কী ওইরিবা শেল থুমগী ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মহাক্কী কন্ট্রেক্ট অসি ককথখিবনি।

ন্যুজ এজেন্সি অসিদা ক্লব অসিগী ওফিসিয়েল অমনা হায়, সন্দেসনা ক্লব অসিগা চহী ২ হেন্না কন্ট্রেক্ট লৈন্নরি। অদুবু শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লরকপ্পা ক্লব অসিগী মরি তৎনবা তারি।

মহাক্লা ক্লব অসি থাদোক্লবা মতুংদা মপান লৈবক্তা শান্নবা চৎল্লবা য়ারি। অদুমকপু হৌজিক ফাওবগী ওইনা কনফার্ম তৌবা ঙমদ্রি হায়না ফোঙদোরকখি। সন্দে ঝিনগান অসি ২০১৪ দা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা হৌখিবা আই এস এল এদিসন অদুদগী ক্লব অসিগা হৌজিক ফাওবা লোয়ন্নদুনা লাকখিবনি।

ক্লব অসিগীদমক মহাক্লা অপূনবা মেটচ ৭৬ শান্নখ্রে। মসিমক্লা কেরেলাগী ক্লব অসিদা খ্বাইদগী য়াম্না মেটচ ফঙবা শান্নরোই ওইরি। অহানবা পাঙথোকখিবা আই এস এলগী এদিসন অদুদা দিফেন্দর অসিনা মশক থোকপা প্রাফোমেন্স পীদুনা ইর্ম্মর্জিং প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনাসু ফঙখি।

মহাক্লা কেরেলা ব্লাষ্টরদা লৈরিঙৈদা ক্লব অদুগী ভাবকশিংনা খ্বাসদগী পাম্নবা শান্নরোই অমা ওইবতা নৎতনা ক্লব অসিগী দিফেন্স লাইনদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মসিমক্লা ক্লব অসিদা লৈরিঙৈ মতমদা নেস্নেল টিমদা শরুক য়াবসু ফঙখি।

দিফেন্দর অসিনা শান্নবগী কেরিয়রদা অহানবা ওইনা ২০১১ দা আই লীগ সেকেন্দ দিভিজন ক্লব য়ুনাইটেদ সিক্কিমদগী খোঙদাবা হৌখি। ২০১২গী ওক্টোবর ১২ তা সলগাওকরগা শান্নখিবা মেটচতা আই লীগতা অহানবা ওইনা খোঙথাখি। মহাক্লা সিক্কিমগী ক্লব অসিগীদমক ২০১১ দগী ২০১৩ ফাওবদা পূন্না মেটচ ২৩ শন্নখি। ২০১৩-১৪ দা আই লীগকী টিম মুম্বাইদা শান্নখি। মসিগী মতুং ২০১৪ দা কেরেলা ব্লাষ্টরদা খূৎয়েক পীনরবা মতুং ২০১৫ দা লোনদা স্পোর্টিং গৌৱা, ২০১৬ দা লোনদা সিবাজিয়ান অমসুং ২০১৭ দা লোনদা বেঙ্গলুরু এফ সিদা শান্নখি।

ইন্টরনেস্নেল কেরিয়রগী সেনিয়র টিমদা অহানবা ওইনা ২০১৮গী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাইরদা নেপালগা শান্নখিবা মেটচতা অহানবা ওইনা শরুক য়াখি। হৌজিক ফাওবদা দিফেন্দর অসিনা ইন্টরনেস্নেল মেটচ ৩৬ শান্নখিবদা অপূনবা গোল ৪ চনবা ঙমখ্রে। লোয়ননা হৌখিবা ২০১৪ দা এ আই এফ এফ ইর্ম্মর্জিং প্লেয়র ওফ সি ইয়র তাখি।

# কোভিদ-১৯গী রেদ জোন মনুং চনবনা মুম্বাইদা ক্রিকেট মশান্নগী প্রেক্টিষ্ট সেসন চথবদা অথিংবা থল্লি



মুম্বাই, মে ২০ (এজেন্সি)ঃ

কোভিদ-১৯গী রেদ জোন ওইবনা মুম্বাইদা স্পোর্টস ফেসিলিটিশিং হৌজিক ফাওবগী ওইনা হাঙদনবগী ফিরেপ লৈবনা মফম অদুদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী তোপ ক্রিকেট্টর রোহিট শর্ম্মা অমসুং অজিনকা রাহনে য়াওনা অতোপ্পা ক্রিকেট্টরশিংনা ইন্দিভিজ্যুয়েল ট্রেন্নিং মখা চথনবগীদমক মতম খরাগা ঙায়খিবা তারি।

মহারাষ্ট্রা গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অদুগী গ্রীন অমসুং ওরেঞ্জ জোনগী মফমশিংদা মীয়াম য়াওহন্দনা ইন্দিভিজ্যুয়েল ট্রেন্নিং চথনবগীদমক ষ্টেদিয়মশিং হাঙদোকখি। মসি মিনিষ্ট্রিস ওফ হোম এফিয়সনা মে ৩১ ফাওবা শাঙদোকখিবা মরিশুবা ফেজগী লোকদাউনদা কোমথোকখিবা শরুকশিংগী মনুংদা চনখিবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা পায়খৎপা খোঙথাংনি।

অদুমকপু মুম্বাই অমসুং মসিগা য়ূমথংন্না লৈরিবা থানে, নাভি মুম্বাই, মিরা বয়ান্দার, ভসাই বিরা অমসুং কলিয়ান দোম্বীভিলিদি মহারাষ্ট্রা গভর্ণমেন্টনা রেদ জোন ওইনা লাউথোকখি।

ঐখোয়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা স্পোর্টস ফেসিলিটি অমসুং ষ্টেদিয়ম হাঙদোকপগী মতাং দা পীবা চৎন কাঙলোনশিং অদু ঙাক্লা চৎক্কনি হায়না মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী সেনিয়র ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখি। মসিনা তাকপদি মফম অদুদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ক্রিকেট্টরশিংনা গ্রাউন্দ ফেসিলিটি ফঙনবগীদমক মতম খরাগা ঙায়খিবা তারি।

মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিয়েসননা ৱানখদেন ষ্টেদিয়ম, বন্দ্রা কুলা কম্পলেক্স অমসুং সাচিন টেন্দুকর জিম খানা হায়রিবা ফেসিলিটি অহুম অসি এসোসিয়েসনদা লৈরি। অদুমকপু গভর্ণমেন্টগী য়াথং মতুংইন্না মখোয়শিং অসি হাঙদোকপা য়াদনা লৈরি। মেরিন দ্রাইফতা লৈবা ব্রাভৌনি ষ্টেদিয়মসু ক্রিকেটকী প্রেক্টিষ্ট তৌবদা অথিংবা থল্লি।

ক্রিকেট ক্লব ওফ ইন্দিয়াগী সেনিয়র ওফিসিয়েল অমনা হায়, ঐখোয়না ক্রিকেটকা মরিলৈন্নবা থবক থৌরমশিং চথনবগীদমক গভর্ণমেন্টকী য়াথং ঙাইগনি। মদু ফাওবদি করিগুম্বা অমত্তা পাঙথোক্লোই হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াদা মহারাষ্ট্রা অসি কোভিদ-১৯ লাইচৎনা খ্বাইদগী শোকহল্লবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা পূন্না মীওই ৩৭,১৩৬ শোকহনখ্রে অদুগা মীওই ১৩৫২গী পূন্সি মাঙহনখিবা অসিগী মনুংদগী মুম্বাইদগী অপূনবা মীওই ২২,৫৩৬ ওইরি।

# ইন্টর মিলান, বার্য়ন মুনিক অমসুং রিয়েল মাদ্রিদনা য়ুরোপিয়ান সোলিদরিটি কপ ২০২১গী পূন্না য়ুম্বু ওইরগনি

মিলান, মে ২০ (এজেন্সি)ঃ

অমত্তা ওইবগী ৱাখলোন শাগৎন্নবা অমসুং কোভিদ-১৯ লাইচৎকদিমক মেদিকেল ইনফ্রাষ্টকচরদা মতেং পাঙনবগী ৱাখলোনদা ২০২১ দা পাঙথোক্কদবা য়ুরোপিয়ান সোলিদরিটি কপতা ইন্টর মিলান, বার্য়ন মুনিক অমসুং রিয়েল মাদ্রিদ হায়রিবা য়ুরোপিয়ান জাইন ৩ অসিনা টুর্নামেন্ট অসি পূন্না য়ুম্বু ওইমিন্নরগনি।




ফুটবোলগী সিজন পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরিবা অসিগী মতুংইন্না শেমলক্কদবা কেলেন্দরগী মখা পোনা ২০২১ দা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট অসিদা ক্লব ৩ অসিনা রাউন্দ রোবিন ক্লবতা সিটি ৩ দা মেটচশিং শান্নগনি। ইটলিগী মিলানদনা ইন্টর মিলান অমদি বার্য়ন মুনিক, স্পেনগী মাদ্রিদতনা রিয়েল মাদ্রিম অমসুং ইন্টর মিলান অদুগা জর্ম্মনগী মুনিকতনা এফ সি বার্য়ন অমসুং রিয়েল মাদ্রিদকা শান্নগনি।

হিরম অসিগী মতাংদা ইন্টর মিলান ক্লবকী প্রসিদেন্ট ষ্টিফেন্দ জ হাননা হায়, কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মালেমদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। মসিনা ঐখোয়গী তুংগী পূন্সিগীদমক হেলথ কিয়র ৱাকর অসি য়াম্নমক মরুওইবা অমা ওইরি।

ৱাফম অসিনা মমাঙদা থল্লগা ঐখোয়না মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎফম থোকই। লোয়ননা মালেমদা লৈরিবা নেসন খুদিংমক্লা অমত্তা ওইবা ৱাখলোনদা মখোয়বু সপোর্ট তৌদুনা তৌবিমল খঙবা উৎশি হায়না ক্লবকী প্রসিদেন্ট ষ্টিফেননা ফোঙদোকখি।

ইভেন্ট অসিগী মেটচ ৩ দা ফঙলক্কদবা শেনফমশিং অদু লৈবাক অহুম অসিগী মেদিকেল ফেসিলিটিগীদমক দোনেট তৌদুনা অপূনবা য়ুরোপ অমা ওইরি হার্য়বদু তাক্লবা হোৎনগনি। পনবা য়াই ইটলিগী সেরি এগী লেপ্তুনা লৈরিবা সিজন মে ২৮ দা লৈখায় তাবা ৱাফম খঙল্লগনি। লোয়ননা জর্ম্মনগী বুন্দেসলিগা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা সিজন মখা চথবা হৌখ্রে অদুগা স্পেনগী লালিগাসু গ্রুপ ট্রেন্নিং সেসন চথবা হৌখ্রবনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*